শৈবারোল

উজা মনিকমা দেবী
তাকপীরবা

শৈথারোল

ঈরবা – অরাম্বম নিলামচা



ইউনিভর্সেল লিটরেরী এসোসিয়েসন, ইম্ফাল।

থকোঙবা— ইউনিভর্সেল লিটরেরী এসোসিয়েসন

কোঙবা চহী— ১৯৮২

সরকারনা অহোঙবা মমলদা চে পীনহৌবা কোন্থোক্লবনি

কোপী মশীং— ১২০০

মমল— লুপা ২/-

নমকম— থোংনাংথাবা প্রেস, থুরাই লমলোং কৈথেল, ইম্ফাল।

[লাইব্রেরী মখা থইবগী নী]

লাইরিক অসি পুথোকপদা

ইউনিভর্সেল লিটরেরি এসোসিয়েসনমা 'শৈথারোল' হায়বা লাইরিক অমা পেনা অশৈবশিংনা পেনা চাংয়েং অমসুং পেনা কুমৈগা মরি লৈননা পুথোকথিবা লাইরিকশিংদগী থনগৎচবনি। থনগৎলিবশিং অসিসু অশৈবশিংনা চীন্দগী মতম কুইনা লোয়নরকপা ময়েক নত্তে। শ্রীঅরাম্বম নিপামচানা বারী ওইনা শৈরেং ওইনা ইথোক্লগা অশৈবা মেন্দ্রম্বম কালানা পেনাগী ঙাং-শৈশক ছন্দ পান্দুনা শকথিবনি।

লাইরিক অসি অশৈবশিংগী কমশক্ত, নোংমগী শৈশক্ত মত্তেং থজিক্কং ওইগনা থনবদগী এসোসিয়েসন অসিনা পুথোকচবনি। মতম কুইনদগী বাওইবিরুদ্রবা পেনাগী লমদা থজিত্তং মত্তেং পাংবা ঙমগনা থনবদগী লাইরিক অসি লাম্থোকচবনি।

লাইরিক অসি ওসি মীত্রৈবাকী শক্লাইরবা ওজা চুংথাম মনিক, পেনা হঞ্জবগী মমিংদা পাংথোক্লিবা ৭ ওবা চথরকপা পেনা কুম্মৈ হুমিং অসিদা মীয়ামদা খুদোল তমজরি।

কে, ধীরেন
জেনরেল সেক্রেটরি
ইউঃ এলঃ এঃ

ৱা অম'নিৎ

লাইব্রিক তসিদা য়াওরিবা ৱারেং শৈরেং খরা অসি লৈখিত্রবা শকনাইবা মীতৈরেবাক্কী অশৈবা উজ্ঞা মনিকনা লীবী তাকপীরম্বা ৱারী ৱাখোঙ কয়াদগী লৌখৎচবনি। মখোইশিং অসি ঈশৈ পরিং অমমমদি নত্তে। ঈশৈ পরিং অমদা য়াওবা হৈয়োল, লৈয়োন অমসুং লম্মীৎ লোন কয়া মতাংচাবা, মফম অমসুং মতম য়েংদুনা অতাবা অয়েংবা কয়াগী পুক্নিং হেন্না চিংশিনবা ভয়বা ঈশৈ পরিংগী মশা ওইনা হৈ-লৈ অমসুং লম অহুগী মরমদা থাদুনা হেক-হেক শকই। মরম অসি-দগী পাওত্রবগী ৱাথম্না অসিগুম্বা ৱারেং-শৈরেংশিং অসিগী অপুনবা মিং "শৈথারোল" থোল্লগে লেপচখি।

শৈথারোলগী ৱারেং শৈরেংশিং অসিদা মীতৈরেবাক্কী নাৎ অমসুং মীহৌরোনগা শাগোম্নবা ৱারী ৱাখোং কয়া য়াওরি। মসি মরৈ-পাক অমসুং মরমদনগী মরমদা হেন্না থঙনিংবশিংগী ৱাথনগী লংলা লংঙ্গিন পুখোকপদা খরদংত ওইরবসু মতেং ওইগত্রা খন্দুনা পুখোক-চখিবনী।

শৈথারোলগী ৱারী ৱাখুল কয়াসি, ইউনিভর্সেল লিতরেরি এসোসিয়েসন্না শিন লাওদুনা চৎথরকপা "মনিক সনা তাঙ্গ মনা পেনা চাংয়েং" অমসুং মীতৈরেবাক মনিক পেনা কুমৈ"শিংদা তোঙান তোঙানবা অশৈবশিংনা থাই তরাগী মাওদা শৈরাংজবনি। অথিক অচাই লৈশুম লৈরবা ৱারেং শৈরেং কয়াসি ঈরৈপাকচাগী নাপদা পুন্ন থেংণী চিনবিনবা নাচোম ওইনা শেমজবতনী।

অরাশ্বম নিপামচা
থৃবাই থৌদাম লৈকাই, ইম্ফাল।

শায়িরৈ

অরাম্বম নিপামচা

য়ুমশকৈশ, তাং ৪/৩/৮১ ইং

মালেম নৈংমগী মপারি তাউহুইরেং অহনবা কৌবগা মুমিৎ সনা অতোম্বা কৌবগা শানৌ মচিন মনাও অনিনা কোয়ৌথক্কা য়োময়াই অঙান তাউদনবনা মশেক মঙান নাইনা থোকপগুম অহিং মুংথিল অনিগী শিন্ন-শিন্ননা নিংথৌ ওইহনা পোইরৈ মীতৈ লৈবাক্কা লৈবাক বাযেন থোদারম্মী। মনাও মুমিৎ সনা অতোম্বনা অযুক মুংথিলগী নিংথৌ ওই, মযাম্বা তাউহুইরেং অহনবনা অহিং-মুমি-দাংগী নিংথৌ ওই। মতম অসিদা থ্বাই পুংলেন্দা লৈবা থ্বাই মুংজেং পিবা কৌবনা মুমিৎ সনা অতোম্বগী অচানবা মনাই ওইনা থোগন তৌজ। তাউহুইরেং অহনবদি মহী-ময়াই থজিক কনবনা মুংজেং পিবাগুম্বা থুংচাবা মনাই কনা অমত্তনা থোগল তৌরমদে। মরমসিদৈ থ্বাই মুংজেং পিবানা য়ানিংদ্রবস্থ তঙাইফদ নিংথৌ অনিগী পুন্না থোগল তৌবা তাথি। পীক্লবা উচেক-বায়াতন্থ অযুক-মুংথিল চুপ্পা মচিঞ্জাক থিরুবগী বাযবদা শুমিদাং ওইরবা মত্তমদা মহুমদা হঞ্জিল্লক্ত্না অহিং চুপ্পা মুংঙাইনা উকৈথক্কা য়াইরেকই। কদাই থ্বাই মুংজেং পিবাগী মরাইবক্তদি অসিফাওবা মতমদ্রে। নিংথৌ অনিগী থোগন হোৎনবদা মপারি অমা পোকপা মমোম অমা ফুইবা য়োকপা থাকপা মাওদ্রে। পামদবা নিংথৌ অমগী থোগল থাদোকপা

তারবস্থ অপাম্মা নিংথৌগী থৌগলস্থ থাদোকপা তাই। নিংথৌগী বাংবন মৈশাগুম্ন শারবা মৈশাসি খ্বাইম্নুংজেং পিবাতনা ফংবা নত্তে শরুক খরদি লৈপাকস্থ ফংলিবনী।

নোংমাই নিংথৌ হোদাম্বগী মমোম হাংনু চখানু খ্বাইম্নুংজেং পিবাগী তালোইনী। মথংলেম্না নিংথৌগী থৌদগী মরানয়াইদা ইকুম কুমলকখিদ্রবদা পাইমা পীবুকনৌ মিংলু তরং ঈরা হৌ, পুল্লাং খুত্তা পাঙ্গ নোংমা কোরৌ অমদি গুংজেং মরুদা লাইজ ঈপাল লাং ইমুগী ময়োন শংলখি। মতমসিদা লৈম্নুং লোঙ্গা পাখংবনা য়া-থোকলম্বা লাইবক চাউবী হাওনু চখান্নুনা থেংনজখি। খণ্ডদবগী হৌনশা লাইজ ঈরোম্নুংদা লেমৈল ডাজাও অমা ওল্লে হাঙ্গনা খণ্ডখি। মসিবু ফাহ্নুনা পারি মমোম চাউদ্রিবদ লেমৈল ডাতোং শং তরা চাকপুম শায় তরা চাকপু ইনগে খন, মপাম শেল্লোই লংমাইদা পঙ্খৌ নাক্তা চত্তুনা ঈন বাঙ্গগে হাঙ্গরুরে। হোদাম্বা মাগী ঈন্দুদি তরাই তরাঙ্গবা নত্তেদো, লাইবু ঙম্বা ঈম্নি, অহ্নুনা বাঙ্গবা পীনিঙদে। মমোমগী অকনবা বাহৈদ্রুনা হোদাম্বা পীদ ঙমদ পীখরে। লাইবক চাউবী চাখানু মরান হেক য়োৎবগা পাখংবা নিংশা ফংবগী হেদো নাহে চন তৌরাং ফক্তা ওনখরে। নুরাগী বাবা মপাও মুংজেংবনা কংলবদা, মুমিং সনা অতোম্বদা অবাবা পাউবু হজংচরুবদা নরান কুমজরু তাকপীখি। নিংথৌ য়াথং কংবগা মুংজেংবা মরান তম-লকলে। থরাই থোঙ্গান য়োৎবদৈ মপারি মমোম অনিমক খুৎলাম তোইনা কৌববু হাউ-কৌবদা খুম্মকতে। অমুক পনবা তৌদনা

থোবোম কাদ চঙলুবদি পারি-মমোম অনিদো হেদো নাহে চল্লিবা পলেম লাইবক চাউবীদা তরা চাগে তক্লরম্মী। মীকুপ থরদংগী মন্নুংদা মপা-মচ উনরে, তল্লাবা পাউব্রু তম্লরে। মপারি মমোম চাউত্রিবগী তরা চাকপু থোংগে শংলো মথেল লাংগে মুংজেংবনা য়েংলুবা তমদা অরৈবা অমত্তবু লৈরমদে। মথংলেনবু যেংলগা হাঈরকই হাওম্নু চথান্নুনা, "তাবীয়ুদো ইবুংঙো! নিংথৌগী থৌবু তৌথ্রিগে, পারি ইমোম থাক্রবা লৈকাই ফৌম্ন লুংঙুইদো, শংলো মথেল ওইনবা থাৈল লৌবুক্তা কুমহুনা পেরুক-য়েলাং থিজরুই, লোইবী চীংদা কাহুনা পামেল শীংজা চনজবনি। অহবু ঙসি নোংশিদদি, ননাও লাইবক চাওবীনা হেদো নাহে চল্লকপা কোয়রৌ শীঙ্গুম যামথিবনা লৈরম্বা পুম্বা লোঈশরে। ঐনা থঙবা অমত্তংদি থেল্লবা মুংজেং মরুগী লাইজ ঈরোনমুংহুদা অচৌবা লৈম্নে অমত্তং ওনথিবা ঐনা থেংনথি। লেমলৈ অহবু ফানবা, ঈপাম শেল্লোই লংমাই পম্বৌ মগাই কাদগী ঈনশু বাঈজরুরবনী। লেমলৈ অহবু ফারগা লেমলৈ ঙাতোং শং তরা চাকপুম শাই পারি ইমোম চাক-ইম্নসি।" তালোই মাগী য়ব্বা ঙা, য়েংলুরগে থন্দুনা মুংজেংবা ঈন পুরগা চংথরে মুংজেং মরুদা। কোরৌ নোংজা অহুম্ন পাথংবা মথি ফোংলম্মী। হেক উবমক্তদা লেমলৈ ঙানি থন্দুনা খুদোঙ ঈনবু হুনথরে, মীংনা কুম্নগী মন্নুংদা মুংজেংবগী ঈন্দুনা পাথংববু উপথরে। থীম্রে ঙাইহাকী মন্নুংদা ঈনগী খোংজি পাঈহুদা চিংবা হৌরকলে মুংজেংবনা। শোইফত্রবা হোদাম্বগী লাইবু ঙম্বা ঈম্নি, লাংদ থুরে

খঙলবা লৈম্নং লোঙ্গা পাখংবনা লাইগী মতিক অকনবা অমুক্তং হৌহনা হাইবদা ঈনগী খোংজি তত্নুনা নানখোকপ্রে সুংজেংবগী মখুত্তগী, ঈম্না পুময়োময়োমশিন্না চঙপ্রে লৈখুন্দা পাখংবা। লাক-চপ্রেদা খন্দুনা মুংজেং মরুগী মপান্দা মুংজেংবা ফমহুনা লৈখরে। লাইওং লাইনা খঙদনা পাখংবা নারে লৈখুন্দা। অনাবা হংবা লাকখিবা— কৌক্রু বাংব্রেন মাজিং খম্নাংবা থাংজিং লোয়ারাকপা কনানা খঙবা ঙমদ্রবা পাখংবা মাগী লাইনাসে খঙলে নোংপোক অচিবদি। হাঈ নোংপোক অচিবনা— "ঈল হুন্নকপা মাহুবু ঐখোঈ অমনা কৌরুহুনা ঈলসি লৌথোকহল্লবতদা অনাবসি লাই-কোকনী। কনা চংকনী খন্নবদা চংকে য়ারে মঙাংনা। মুংবংবনা ফমলিবা খাই মুংজেং পিবাদা লৈম্নং লোঙ্গা পাখংবগী অবাবা থোদোক পুম্বা চিখদনা লীরে মঙাংনা।" নঙ নত্তনা কনা অমনা অবাবসি কোকহনবা ঙম্নরোই হাঈনরে চিঙ্ লাইয়াম্না, অমুক্তং চংলুসি হাঈজরে। 'হোই' য়া-নয়বদা মঙাং মাগী মতীকনা খাই মুংজেং পিবাবু পাখংবগী নাক্তা পুখরে। পাখংবদা য়েংলিবা লাইবু ঙম্বা ঈনদো ইরেম্ন মুংজেংবনা লৌথোক্লে। ঈন লৌথোকপা লোই-বগা পাখংবগী লাইনা লাঈকোক্লে। পেক্লহুনা মুংজেংবদা পাখংবনা "হে খাই মুংজেংবা। নঙনা পাখংবা ঐবু অবাবদগী কোকপীরে, মসিগী চা-নবা লমল করি শিংসিগে হাঈঙমদ্রে। হাঈয়ু নঙগী অপাম্বা— লৈপাক্কী নিংথৌ ওইগেরা? লনগী মপু ওইগেরা?" পাখংবগী হাসি তাবদা খুয়খুদক শনশা লৈদ কুন খুংলোম্নমা হাঈ

নুংজেংবনা— "তাইবংগী অমম অঙান থাঙ্গৈরিবা। নিংথৌ ওইবা পামজদে, লনগী মপু ওইদুনা ইদোম নুংঙাইবস্তু মিহৌদে। ননাই ওইবা ঐগীদি লৈবাক পুম্বা নুংঙাইমিন্নবা পামজবনী অদুতং। তাইবংগী লাইবক অতিঙাদা নুমিৎ অনি থোকপনা অহিং নুংথিল থাঙ্গদরে, অচৌক অশা ফংদরে। মহৌ ময়াক কনবা নুমিৎ সনাগী মযাম্বা তাউহৌরেং কৌবা কোরৌসে তাইবং লাইবক অতিঙাদগী কাপথজবা ঙমদুনা অচৌক-অশ ফংহনজবা ঙম্বদুতং পীবীযু" হাঙ্গজখি। "তুরৈ ইরৈ চন্নবু, ঙমজরো তাকপীখি পাখংবনা। মঙাং মাগী মতেংনা নুংজেংবা মরান্দা থুংঙরে, মানা থুংলবা মতমদা ফরমলে তালোই মাগী অনাবস্তু। খ্বাই নুংজেং পিবা নিংথৌগী থৌ কাখিদ্রে। করম্না নিংথৌ হাংশিগে ব্রাখল কয়া থনবদা লেপথ্রে তেম্না হাংলগে। মাগী তালোই চথানু, মপাম শেলোই লংমাইদা বা-নিরু থাখরে। পম্খৌ নাঙ্কা চঙদুনা ব্রা-পীযু হাঙ্গরুবদা, ঈন মাঙহনবগী শাউবনা "বা লৈতে" পীবকখিদে। নৌংবা কাঙ্গরে চথাঙু, মতোল কুরাল নিংথৌগীদা অমুক চঙুনা নিরুরে। মমোমগী পীবুক থঙনা কোকপা চৌংদগী য়ান্দুনা পীরক্লে বা চথাদুদা। বাদুনা শারে নুংজেংবনা খুৎ চাবা লৌরুং অমগা হাইর তেন অহুমগা। বাইর তেন কাপ্পা খুৎচুম্বা তম্বদা কোরৌ শীঙ্গুম কয়াশী হৌব্রবনী থঙহৌদনা। নোংখা কোরৌ অমগী অহানবা তেনগী চাংয়েংদা, মাগী তালোই চথাঙুনা ইমুগী ময়োন শৎলুবদে পুন্নাং কোকথোংনরকপা লাপ্পা উবমঙন্দা লিম্নাই তেঙ্গা থোং নাম্প নপ্প-চিং পুন্নাং পান্দম লাক বাইর"

তেন কাপথিবা পাল্লে পুল্লাং শোইফদনা। লেমহৌবা তেনগী চাং-য়েংদদি, মপারি হাওদোংখু কোবনা শমু নমদা পোশিল্লে, মযোম হাওদোংহন কোবীনা কৈনা থাদ পম্লগা খাঙেনফম মতা ফবদা নাউথেম্লিবা তাংলোইগী না-প অনিদ। চিল্লিবা চোম্লাং অনিমক্তুবু থুংকাপ অনিথক্তদা মালেম লৈদ থাংখি। পূম্নমক্কি উবাদ মুমিং সনা ময়াম্বা নিংথৌ তাউহুইরেংবু হাংপা ঙম্লনী নিঙখরে। বাইর তেন অহুমদু হুবু তৈহনা থমখরে। মনাও মুমিং সনা অতোম্বগী নুংথিলগী পুংফম লোইবগা মুমিদাং অহিংগীদমক্ত, নিংথৌ মাগী থুনেংশা লাঙ্গোই মোংশায়াং তোংহনা মুংতি পুংবুম থুদিংগী তাউহুইরেংনা কংলা কাবসে উই থঙই মুংজেংবনা। থুদোংচাবসি ফংহনা বাইর তেন কাপ্পদা করিগুম্বা থুজিন পুনাম্হোক পাম্লুবম্মু চেনখরে। থুদোং-চাবদু অমুক ফংলরোই, বাফমসি খল্লহনা মাঙ্গংগী নাক্তা চংখরে, চিঙ্কু শাদোং ওইরিবা শামদোন য়াঙবা বাঙ্গকরে। নো মা কোরৌ মুমিংকী মুমিদাং বাইরম ওইরবদা থ্বাই মুংজেং পিবা লৈরুং তেন্দোং পোশিল্লে, লাঙ্গোই শামদোন তোংহনা কংলা থোগা লখীদা নিংথৌ তাউহুইরেং ঙাইখরে। মীকুপ খরগী মগুংদা থোগল লাঙ্গন য়াওদনা লাঙ্গোই মোংশায়াং তোংহনা তাউহুইরেং কংলা কারক্লে। লাপ্ল মুংজেংববু উবদা অয়াকপা বাহি কয়ানা চৈবা হৌরকই নিংথৌনা। "হাঙ্গী হাঙ্গী মুংজেংবা। লোইদাম থাজ কয়া নিংথৌ ঐগী থৌগল থৌশাদনা কাথিদবদি নিংথৌ ইতিক খঙগনি, নকোক লালু চোমাই কক মালেমদা থাধগে" হাঙ্গইহনা নাকন্দগী থাং শতুনা লাঙ্গোই

থুরুপ থারক্লে। খ্বাই মুংজেং পিবাস্থ লীরি তেঙ্গা থোংক্লনা "ইনিংথৌ ইবুংঙো তাউহুইরেং ঙসি কোরৌ নোংজাদা বাইর তেম্না থোগনগে ভাইজরম্মী ননাইগু মাঙ্গী ওনবীগম্ু" হাঙ্গইনা লাঙ্গোই শাজৈ নমথা-থা মায়োয়নবা থৌরক্লে। কৈজেং লাংগী শকওইবা মুংজেংবা মাঙ্গথোং উবদা নাপন মরাঙ্গী লুকখরে, মাগীনা অরাপ্পে থুংলাইনী, ঐগীনা অনক্পপ থুংলাইনী। মাঙ্গয়োক্লবা লানফমদা ঐনা মাঙ্গথিরনী থন্দুনা তাউহুইরেং হন্দুনা থোখরে। মুংজেংবা মাগী লাঙ্গোইস্থ চেক্লা থুনুপ্রংনা মাডদৈ চেক্লা অপীখক তুহংলগে তানবগুম খা-পাংনা তানখরে। মুংজেংবগী লাঙ্গোইনা থরা লাক-চরক্লবদা, তাউহুইরেংবু তমদুনা মুংজেংবা তেন কাপখরে। তেন্দু তাউহুইরেংদা পানখিদে পামেন উবু য়াম্থখি। মফমদুবু হৌজিক-ফাও উয়ান হাঙ্গনা খঙনরি। লাকচৈদা থন্দুনা বাইর তেন অমুকস্থ কাপখরে। তেন্দুনা তাউহুইরেংদা পান্দরে, নিংথৌ মাগী খুনেংশা মোংশায়াংদ পানখরে। হু তৈবা তেন্দবু শংপা হোংনৈ তাউহুই-রেংনা, তেন তেকখি তেকচম, শংলবা তেন তাথিফম তেম্থা হাঙ্গনা খঙনখি। হুগী মৈচাক ফংলবা নিংথৌ মাগী লাঙ্গোইদো লম্বী পরিং চেন্দরে ভাওন ফৈন চেন্নকলে। ভাইহাক চেন্নমলে হাঙ্গরগা হাঙ্গথখরে লৈমাইদা। তাউহুইরেং লাঙ্গোই থনম্রে, চেনপ্রে থোঙনা হন্দুনা। থৌদোসি উবদা লাঙ্গোই থনমলে মুংজেংবস্থ তামপ্রে থোঙনা তাউহুইরেংবু। চেল্লি তাল্লি হাজবদুভাই মঙম শামপ্রে অনিদো। অস্থম অস্থম লাক্লবনা য়োরে মরিং খুনবিলোক।

বাখিবনা তাউহুইরেং পাম্মুবক্তে থবাঈদো, পামেন শয়িগী উফৈদা ঙাইছাক ঙাহুনা পোত্থারিবৈ বাইর তেন্না থাখরে ঙকশম তোংদম ফবদা অরোইবা নিংশা হোনখরে। পামেন শয়িগী উ কারোং মুমিৎ সনা ময়াম্বা তাউহুইরেং কৌবগী অককপা লালু থেংখিদো, পামেন মশা চোৎনা ঈথেঙ লাইজ শিন্থখি। বায়েন চৈরাক চুমদবা ময়াই কনবা নিংথৌদি মী-লাই অনিগী যেক্লবা ফত্রবনি ভাৎবা চিঙ্ লাইগী থৌশিন্না ঈসি লেম্না মাঙহল্লে। অরাং কৌক্রু নোং-হৌরে কংলা তোংবি নোংদাবে তুরেল অচৌবা ঈহৌরে, ঈরিল তুরেল ঙাওরকলে শয়ি উফৈদা শিন্থরিবা নিংথৌ সনা ঈথেংদো মপান মরা তারকলে তেননৌ য়েন্নিং চোং লৈরাং ওইনা লাওক্লে, লৈরাং লৈনা চোংহুনা শিঙেন ওইনা শাৎলকলে। লৈবাং লৈথোক্রা পীকপনে শীঙেন লৈতোম্না পুংবনে মালং ইপোমদা থাংঙমদ থঙ্গোন মাঙদ লেপঙমদা নোপ্র হাইনা থাঙবাল লৈরাং কোলোই মিংলেম্না লোইদাম নাওবা লৈমুংশি, পামেন হৌকম মিংবু লৌ লৈরাং শয়িবৈ মিংথোনখি। লৈরাংশিদৈ চারানা, লমলেন পোইরৌ ফেনবোইলৌ অম্রে৷ য়ারব মস্থমাং পনম নিংথৌ মশাইকোন লোইবী চীংশাং ফজবা শেল্লোই নিকত্র নিঙ্ক চীং লংমাই হাপত্র হাদ চীং উতং কাপকা হুইগা থা চীংমাই মাপন ফারিবা লোইবী নাপোম থুদিংগী, পাহৈবং কৌথি মশোইমাং থাম্নে থেংয়া লমমুংশিগী পামেন উকৈ থুদিংদা চীঙ্ক হাইনা শাত্নুনা পোইরৈ চাদোন ঙমোম্না, মুংনাইজ্রবা থোদোকপু কাওকত্রবা বারীবু নীংশিংনবা শাৎলকলি। ◎

খৈযোযবোন কৈক্লং হাংবী

থূমন লৈকোইপুংদা পুনশিবা যুমোইবনা
লৈশাক নুবা তেমথৈদা, মৈদিংঙু কোম্মোইবে মপারি
হোংনেময়োই থূনজাওনা থূমন নিংথৌ মগাইদা
তোল্ল-তার অমগুম শাইদাংজগে হায়রকখি।
"কায়নৌ লাংজেং ফারবা তনবা নঙবু কনানো?
ক'রন্নুং ইন্দাল্লকপা ঐগীদা চিংনগম্ম বাহম্মু।
হৈরেম থুনজান্দগীরা পোইরৈ মৈতৈদগীরা?
পা০' শলাই তাকউ" তাকপীরকলে নিংথৌনা।
"লাইরেন উরা কোম্মোইবে বাকালেন তোংয়ায়নী ঐহাকসে,
শেল্লোয় সনা চীংদা অচোং যুমলেম্বম নিঙোল
শমলা লংমাই নিংথৌ চম্মু পীতংঙা লৌখিবী,
ওল্লা'মক্তগী চেক্লাগুম লৈথোক'মক্তগী লৈরাংগুম
য়িমকাজক্তনা লৈবনী নুরা ইনেমচাগা।
খোয়দাননা লৈনজৈ অপোকপা পম্মোগী মায়োক্তা
অহুল্লুংগী পম্মোনা শেল্লোয়'চাবু থাশীৎনৈ,

ঐবু খোয়শাওনহুনা লাংহৈ কয়া লৈরকই ॥
কৌবা ঈরোঙথোংদা, শেরোয় লানয়াম-'য়াঙবশিং
হুয়েন লান্দারুবদৈ মরান ওন্দেরকপদা
লানয়াম-লাম্ভৌ'য়াংবনা লাক্লেন মৈদিংঙু ইপাগী
ঙয় লুরক কাং'দথি খৌনাউ লোম্ভাং লেল্লুরে।
থিঙেল তাইন'ঙমত্রগা নাশিংখোংদা তাইনবা
কাপমন থৌরগা লম্মন থৌই হাঈবগুম—
শেল্লোয়'চাশিংমা লনশিংগে শুকমু লেংথোংলা
তিমেন ঙানোই চোংকোঈনা থিরকলে ঐহাকপু।
ঈচন ঙাগুম কোঈররে নুরা মাগী মরান্দা,
শেল্লোয় মথি নাইনা লংমাই মরাং হোৌররে।
য়িমলেম শাইগং কোঈর'দা ঈশানৌ ইনেমচাগী
মবুকথোক মরোৌশিংতনা য়াইবী কনবীরকপনী"॥
ভুবী ঈবু ওইগনী,— শকলেন মঙান নাই,
পাঈমা পীবুকপুংহৃদা খল্লি খুমন নিংথৌনা।—
"পারি নঙবু ইবুংঙো। মৈদিংঙু ঊরা কোম্ভৌবৈ
মপারী হোনেময়োই খুনজাও যাহমবা—
শেল্লোয় অমম লৈশারোক লংমাই হায় শাবা চীং
চীংলেন খুলামথাম মঙম ভরং বাংবচীং
শেল্লোয় চীংদা পানবা শমলা লংমাই নিংথৌগী
মমোম মদোম ফুইজবী পীতংঙা লীকলু লৌথিবী

তালোই তুইন তম লংমাই মুয়িনবচুকো।
লমলানবনী খনগনু ফরে ফদে লৈয়ুকো॥"
ঙরাং ঙসি-হয়েং মুংবুম কযা হৌখিছনা
লোইদাম কয়া হাঈরকলে খুনজাও' খুমন্দা লৈবসে।
নোংম মুমিৎ'মত্তবু চিনবান মকা লামজদে,—
মশানৌ পীতংঙা লৌথিবী কাযনবগী খনবান,
মুরা'ই মেল্লোং উরুরে—তেরান শক'না লেনজখি॥

*   *   *   *   *

অদোন নিংথৌ পুনশিবৈ মমোম কৈরুংহাংবীনা
মপন' শিন্তাক তুংইন্না লাইরেন মাগী পুকখঙনা
মুতি মুমিৎ খুদিংগী থোগনজরকই খুনজাওগী
থৌরাংল'দা-ইকুৎ'লাইজ, ওলাঙল'দা লিরি খমকোন
লান্ন'দা তবা ওইবা কৈরুংহাংবীগী লীচৎনি।—
মশাবী খাইনা মৈনা বাংবন মৈগুম শারম্বা,
মথঙলেন চেংলৌ উনিংবনা লাইজ ঈথৌগুম লাংলম্বা,
নিঙোন কৈরুংহাংবীগী মুংশি উরুম ফংহনা
ওলাঙ মৈশা কোকলক্লে মুংশি ঈরিক ফংহনা
থৌরাং মৈচাক কাউরক্লে হোংনেমযোই খুনজাওদো॥
মমোম পীবুক খঙলবা খুমন নিংথৌ পুনশিবনা
নোংমা কোরৌ মুমিস্তি তুবী খুনজাও য়েংহনা—
"লাইরেন নঙবু ইনোংরাই! নশানৌ নঙগী পীতংঙা

শীংলেন শেংনবা লৈরাং থাইনরবগী
পাঙৈমা পীবুক মুংলাংবা থঙই-থঙদ'নত্তেকো
লোইদাম মমুংওই কুম্বা ময়াই কারক্রবদা
লংমাই চম্নু মহাকম্নু তুবী নগাই কাম্বনা
শামু ও'রম ফমশনো, নোংয়াই পুংসিদা লৈরিবৈ
ইমোম ঐগী থয়োয়রোন লাইবেন কাদ কাওজনাগে
তুবী নঙবু পুয়োকে নরুম নাক্তে থাফরোই
লংমাই তেংনা য়িমকারো তাল্লোয় লমলেন হাঙফরোই।"
অদোন নিংথৌগী ময়াথং কোরৌনোংদ কাদরে,
মালেম লৈদ তাদরে লাইরেন মানা লনকুপে॥
তুবী থমং ইন্নমাচা হোংনেময়োই খুনজাওদা,
মুমিৎ-থাবা'শেংবদা থাথা থন'লাইথা মিন
মরান লুহোং থোঙদোংলে পুনশিবৈ মমোম খয়োয়রোন,
পায়মা উনবী খোয়দানৈ খুনজাও-কৈরংহাংবীদো।
নোংমা কোরৌ মুমিত্তি হোংনেময়োয় খুনজাওদো,
ফকলাং লোনজা মতাইকাং শেল্লোয় পল্লিৎতৈহুদা
নুরা মনেমচা পীতংঙা লীকলু লৌথিবী মহাকপু
থুজেং পালোইলাক শমলাং তোনগা নানন
থজাই লেংলোই চুপ, পিরেম মরাং হৌনা
মুংশি পোম্বী চিলওক্লখিবা, মশুংলাংগী হাহৌবা,
অসি পুম্বা থম্নু'দৈ মিৎলু তবং হৌরম্বা

চেংলৌ মিথিৎলুরে নূরা কৈরুং হাংবীনা।—
"মোমহ্নু শুজাপী ললওইবা ইশাবী লাইরেন মৈদিংঙু।
লীকলাই বাংগোন লৈমাচা বাংগোন নিংথৌনি মহাক্তি,
হয়েং-কংলৈ তমজোংপান লাংগোই শারোকপুংহ্নদা
ফম্মোই মিৎত কম ফলাং মৈদা তোংবহ্নুং,
ঈচেম লাইবক চাউবী নোংবাল্লোন চহ্নু পীতংঙা
তুবী ওইরম ফমহনসি মৈতৈরৈমা ওইশহ্নু,
ঙসি-হয়েং অসিদি নোংথোইহ্ননা লৈথিসি।"
খুনজাও লাইরেন হোংনেময়োয়-তাম্মোই মাগী য়রাতা'
হুয়াই শেনকোইনা মিৎলু ঈরম থৎচখি,
চিনবান মকারাম লূমলেন খুজেং পালোইলাক
শমলাং তোনগা নান থজাই লেংলোই চুপ্পীখি।
নোংযাই লৈকোয়পুংহ্নদা লাইরেন মানা শাইদাংলকপা
লোইদাম কয়া হৌখরে লাংহৈ কুবু ওন্নক্রে॥
চীংহাউ লমশংপান লৈরাং তমলৈ ওন্নক্রবপী
লোইদাম মহ্নুং ওইরক্রবদা কেগে লৈকোইপুংদা,
খুয়োন হাওবম্ থিহ্নমা চিঙু বাখোঙ লেং
তয়ান মরী থৎমহ্নুনা অহোং কুম্মৈ জোগনী,
অকা'চাবু লাঙ্গোই খুৎনেৎহন লৈপাক হপ্প পাউজেনথী,
কেগে মপুংয়াইদা অহোঙ কুম্মৈ য়েংবসে
হোংনেময়োই খুজাওহ্নু অদোন পুনশি'মুমোইবনী

হৈনা মতুংয়ান সনা মমৈ রাঙ্গরকখী।
অহোঙ কুম্প চৌউমদা ভাঙোই নিংথৌ লাখানা
নোংয়াই পুনশি'য়ামাইবদা, হৈনা তুংইন্নক্লিবা
লাইরেন মাগী পাউজংখি, তুবী মাগী রারমচৎ
শিৎ শিংনা লৌজখি চিৎথবা'মত্তা তৌদনা।
লাইরেন খুনজাও মহাক্কী শকলেন মত্তান নাইনা
উনবী পুক্রিং উংবত্ন মিৎয়েং শানখৈক্রবদা
প'য়মা পীবুক কুরহনা, মবোম মাগী"ইরাংলোন'
লৈমা নামুন চাউবীবু লাইরেন মা'দা কাওজনখি;
অওং-অউন তমঙ্কনা নোংয়াইপুংদা থিনজখি।
থয়োয়রোন'দি ইর ংলোন পঙ্গৌ'মত্তগী মবোমগুম
লৈখোক'মত্তগী লৈরাং ওই শাৎখি পানখি খুরন্দা।
লাংহৈ কুমওঙ্গবদা, মোংমা কোয়ৌ অমদি
হোংনেময়োয় খুনজাওয়েং অদোন পুনশিবনা হায়রকই
"উনবী খোরখং ত্তাপ্না তাওদো নওবু ত্তনোংয়াই।
তুবী য়োংনোংতা নোংদা লাইরেন পাখংবগী
নয়েল্লুনি মহাকসে, লাইরেন নপান্ন নোজারবদা
রাওর সনা লমদাংজেনগী নিংথৌ ওইগদ'নি নহাক্তি।
লৈপাক জুরা তেঙ্গ র' লাইরেন নওদি খত্তদরি,
হন্নু মরাই কা হনবা মরেং চক্লেদো
লাইরেন সনা বৈদিংঙু উয়া কোঙ্গৌবা নপান্দো।

পোম্বী লুৱাউৱা মপারী ময়ু মুংবান ময়িমনাক
লুৱাং নিংথৌ পুনশিবদা পোাইরৈ বারমলেন অরুবা
লৈবাক মুৱা তেম্ৱা খওউ-তম্ন্," তাকপীরে।
মুমিৎ-থাবা অপানবদা হোংনেময়োয় খুজাওদো,—
নোংয়াই লৈকোইপুংদগী শামু খোঙশারক্রে,—
থুংখি লুৱাং মকু বী চীংদা মচা মনাই লোইননা॥
হোংনেময়োয় খুনজাওনা লুৱাংকাদা শাইদাংবা
লোইদাম থাবুশি লা'রৈ কুমু ওল্লবদা
লুৱাং মুংবান পুনশিবা শক্তীক মতুং ইন
থবা মমৈ রায়খরে, চৈরৈ ফিজি হোংলোইন
লাইরেন মখোম ধাওমলোন কোরোথকী তমথরাং
রাংবন শিফারাংন পান থিংলৌ চাউবা য়াহিপনা
লাইরেন শাংব য়াতাখি মনোং নোংশীং ক্ষয়হ্নুনা।
হেকতাই মুংয়েংচেং মুংওন খোয়রু হোত্তনা
কোরৌ নোঙ্গা খৌবু ওম পাওলে খুনজাওনা।
লকত্রোই নোংবু শাংলবদা, মৈদিংগু উরা কোম্হৌবা
অমন শিরৈ তেংলোর'দা, মৈতৈরৈরা নোংচেনশু,
লুৱা' মকুবী চীংদগী মপারি লাইরেন খুনজাওবু,
"সনা তাওবল হাওফরোই" কম্মোই মিংতা কম্নবা
মদাইরেয় কৌহুমখি কলাং মৈন'লতোংনবা।
হোংনেময়োয় খুনজাওদো ওয়ম নাইনা খোঁগনতৌ

মৈতে কংলৈ শুমতোংপান শারোকপুংদা থুংলখী॥
খুনজাও' পোইরৈ খুনকাবরদা, মদাইরেম খুনজা হৌ—
তয়ম নাইজ তিনবনা, মুমিৎ অরুবা থবা'শেংবদা
"মৈদিংগু নাউথিংথোং" কোল্লোইনা লাইরেন খুনজাওবু
রাওম সনা লমদাংলেনগী তাওবল মপু খনখরে,
ফম্মোট মিৎতকম ফলাং মৈদা তোংখরে।
লাকলৌ তবোপ কায়গুম্বী পীতংঙা লীকলু লৌখিবী
মৈত্রেবা ওইযু য়াদনা অমন নোঙ্গাপ্রবদা,
খয়োমরোন চমু নুবা কৈরুং হাংবীবু
"খমগুরোন চীংমাইগু" কোল্লোই মিংবু থোন
মৈতে সনা তাওবনগী ওইরম ভানবী ওইজখি॥
পোইরৈ পুংখাও নিজা রাওম তেৎনৌ চিদাই নাইদনা
লোইদাম থাবুশি লাংহৈ কয়া হৌপ্রবা—
লৈপাক মুবা তেমলকপা, নোংমা কোনৌ মুমিৎতৌ
লেমা খমগুরোন য়েংহুনা হাঙ্গী লাইরেন নাওথিংখোংনা।—
"ইশানৌ নওবু তাও। ইমান খুমন নিংথৌদো
মৈতে নিংথৌ ঐগীদি পলেম পন্থৌ অনিগী
শমু 'শকপু ওইবনী, রায়ম শাবু ভান
লাওদৈ অথুম্বা রাংলৈ অয়াকপবু লাও,
কংলৈ মৈতৈপুং অহোঙ কুম্মৈ চাউনা তৌ
তরা কৌসি" তাকপীরে, মদাইরেম অনংকিহাইববু

নোংয়াই লৈকোইপুংদ থা নিংথৌ পাউবু খৌশিখী।
তয়ুম লৈনা মতুং ইন মদাইরেমনা মাঙদ বায়,—
নিংথৌ পুনশি' য়ুমোইবা কংলৈ পুংদা কারকলে।
মমান নিংথৌ থুংলর'দা লৈপাক ছুপ্পা হৌ
লাবা কজেং থাঙছাইনা অহোঙ কুম্মৈ চাউনা তৌ,
মরম লমলেন মদাইমা হাওঁরি থাংবাই পাংবগী
ককমুং চৌংনী চৌংমৈদা ঈরোক লাইচম খুদিংগী
রায়র শাবু তাল্লখি,— তিমেন ভাশৌই চোং
য়াওরৌ শাবু থিবদা চৌংঙ্ মাগী মথৌবাং
লওম থোইয়া লৌথুরে লৈপাক 'পুম্বাহরাওরে।
লৈপাক অহোঙ কুম্মৈ ওই, য়াওরৌ শাহ্ শাহুরে,
তরা চাকপু হৌহুনা শংলৌ মথেন লাঙখরে,
তরা চাবা লোইর'দা হেকঙাই মপাউ চাউনা
মমোম মৈত্রেমা য়েংহনা হায়রকই খুমন নিংথৌনা।—
"ঙসি কৌবা 'নোং নথোয়না পীজ' তরা চাক
হাওঁদ অথুবা বাংলৈ 'য়াকপবু পেম থক,
ইমোম নঙবু খয়োয়রোন তারো নঙম্ব লৈমাবা
পেন্নে ওক্লে নপা 'না পীগে নিরো নিনিঙবা।"
লংমাই তেংনা য়িমকায়'দা নিঙোন কৌমা অহুনা
মপন মাগী 'কাদগী কাওজ 'উনপোৎ পাম্বদি
অমুক লোইব নত্তেদো।— মপন নিংথৌগী মাঙহুদা

থুকলু শনশা লৈদকুন, লৈপাক চোম্ম তিনবদা
মপন থুমন নিংথৌদা নিজৈ কৈক্লংহাংবীনা,—
"ঈপা ইবুংঙো অপোকপা। পান্থৌনা লনকুবীবনা
নমোম 'বাৎপা লৈজদে, 'হুবু নিঙৌ তাকপীরবনিনা,
লাইরেন নমাক ইবুংঙো কংলৈ তাঙবন' মপুনি হাঙ্গৈ
লৈপাক থুঙ্গাদি থরতা, নিংথৌ শামার' মাঙহুদা
হুয়াই পোম্বী লেনকোইটৈজ তাঙজ থুবা মতৌনী।
ঈপাম-পন্থৌ' লমচাওরেন্দগী লৈপাক থুঙ্গাগা লোয়ননা
লমলেন মচেৎ থরদং পীবীযু পন্থৌনা নমোযদা।"
মমোম য়াবা তারগা হাঙ্গৈরকই থুমন নিংথৌনা,—
"পীদনংকো ইমোম নঙবো 'হুবুনে নঙগী ইরেমথাক
নোংয়াই নহু চাউখ্রিবা মহংকী মশরুক থাক
বাঙম তেৎনৌ চিদাই নাইদ হাঙ্গৈযু নিযু পীগনি।'
পন্থৌ মাপী মরনকু ফংজর'দা মমোমনা'—
"তাবীরো'হুদি অপোকপা। নমোম ওইবী ঐহাক্না
থুঙ্গা লমনিজবসে লমগি লমখৈ পনজরোই,
থিংলৌ থরোন ঙসিগী লালু চোমায় অককপা
শঙম মকোক অসিবু লিনবাই ঈরীকলাইগী ঈচেন্দা
থাদজগে তাউহনগে চেম্পসনু ঈচেম্না,
কোরৌ নোংবুম চুপ্পবু শঙম মকোক অসিনা
পনবা লমদম অহফাও পীনবীযু নমোযদা

থিংলৌ থবোন অহুনী অতৈ শমু অরেমখাক
মফম 'সিদা ফুমলমগে, শঙম ফুম্মি 'শঙমফুম'
কৌরম্নগে ঙসিদৈ কংলৈ চাদোন শুদোনগী
ওইকৌসপু লীহৌবাক" হাঈজৈ কৈরুংহাংবীনা।
মখোম বাবু তারগা হেকঙাই মপাউ চাউনা
লৈপাক থুজা য়েংহুন, হায়রকই থুমন নিংথৌনা,—
"তাবীরোদো ঙসিদি থুঙ্গা-যাঈতোং থমদোংবা।
ইমোম মৈত্রেয়া ঈমাক লাঈরেন মৈদিংঙু
মখোঈনী 'পাম্বা তুংইন্না হাঈরি নিরি' বাওংসে
থুমন নিংথৌ ঐহাক্না য়ারে পীরে থঙকৌরো।"
লৈপাক 'বা' বু লাউনখি 'পেল্লে-পেল্লে' হাঈনখি॥
অদোন পুনসি যুমোইবা মমাক-মখোম অনিবু
রারম মতোন লোম্নদা মুংশি পোনবী চীলোক্লববু,
মচা মনাই লোঈননা হনঞ্জে নোংয়াই লৈকোইপুংদা
লহান কৌব লোংহুদা লৈপাক বারেপ রাখি'হুনা
থাদথিব শঙম 'কোক ঈরিন তুরেনগী ঈচেন্দা
ঙসি কৌব নোংদদি, হাওরৈ থানা পাংবগী
পল্লে তুরেন লাইথংফান্দা ওইনাম' থুনগী থুন্দোন্দা
লৈপাক নিংথৌ য়েংনরে,— শঙম পল্লি 'শঙমপল'
নোংয়াই চাদোন শুদোনগী ওইহৌনবা লীহৌবাক
শঙম মকোক লৌথংলে, ফুমখি কৌরে 'শঙমফুম'

নিংথৌ পুনশি য়ুমোইবন' মমোম কৈরুং হাংবীদা
থুমন লমচাউরেন্দগী লম মচেৎ থরবু
অউন লমওইনা পীখিবা থৌওং থৌদৌ অসিবু
পেন্দা লিনখা থা নোংমাই খোয়পা ওনরবা,
অরা মচা খোমহনা পুনশি য়ুমোইবৈ ম.কলৌরেন
তান্নু থুম্বী মপারী শেনবা মীমানবা মহাক্না
নিংথৌ পুনশিবৈ মথক্তা হুয়েন লানবু হৌখরে;
লান্দা মাঙথীরহনা মপারী-তান্নোই পুরগা
চেনখী লৈখি লোইবী লৈয়ান্দা থৈহনা ।
পুনশি য়ুমোইব চেনখ্রবদা, শেনব মীম নবা মহাক্না
নোংমাই লৈকোইপুংগী ওইখি থুমন লৈমাবা ।
মাযথীরবা পুনশিবা মপারী মমোম থ'দোকলম
উনবী খোয়থৈ তাদনা কাখি অমন শিওকলম ॥
লোইদাম থাবুশি, লাংহৈ থরগী 'তুংদা—
পুনশি য়ুমোইব মপারী নোংমাই য়োই থাংচাইনঃ
পাগী পারেপ তান পম্থৌ মাগী লনশিংখি,
নোংমাই মাগী পাইরৌরেন নাউথিখোংগী মতেংদৌ
শেনবা মীমানবা মথক্তা হুয়েন লানবু তাহনা ।
হুয়েন লানওমবদা পিশাইরোক মপারী য়োইখোংওাই,
পাগী পারেপ কংজখি— ওইখি নিংথৌ থুমনগী;
নোংমাই পুংখাও নিক্ত অদোন তেৎনৌ চিদাই নাইদা
লৈপাক হুবা বাতেমখি য়েক্ক তিংখং লৈতনা ॥

কোনবীরৈ

ঙসি কোরৌ নোং শজিফু লাকয়েন তাইবা
'নৌবা কুম্মু হৌবগী য়াইফ-থৌনিজবদা,
লাইয়িংথৌ ইবুংঙো ঈমা লৈমরেন-শিদবীগী
ঙাংলৌ খুয়াথাদা লৈজ অপেৎ অনৌশিং
লফোই লতং খিবিক্লা তৈকক তৈরা লেম
খুংগুম-লৈরিনা লৈপাং ওষ্ট কৎলিবা লৈরাং নিঙথৌবী
লৈনা তাবু য়েংলগা মোমম্বু শংদিং তেম-মানবা
লৈরাংগী লৈথোক অসিনা মুরাগী লংথোক তরেং মানবীনী,
চোইনৌ সনা তেমথাংনবী ক্যাং লিকফাং মানবা লৈ
কৈচুম্পা ঈগোক মুম্বান কুমজেং কোরি কাদবীনী
লৈরাং মাগী লৈনমবু মাতক মযাইনা হেনবীসী
চেংলৌ মীৎঝীৎলুবদে তাঙখিবা লপান নোং
পন্থৌ উজা অথোইবা মনিক কোলোই মিংগোবা
লৈরাং মাগী মৈহৌরোন মুংনাইরোইদব রারীবু
নিঙশিংলক্লে নৌহৌনা, শৈহেক শৈথাঙজনা
রাংলেন মীকুপ থরদং থযুম-মথৌবুংসিদা
রাংব লোনবা ননাইনা শৈহেক থোগনজরম গ।
ননাইবু লোইবা ইবুংঙো। অযুক কোংথাকপিরিবা
মুমিদাং কোনশিনবীরিবী ঈমা লৈমরেন শিদবী।
থমম্বুং লৈবাক্কে লৈরাংসি তাইবংলেন্দ ওভবনী॥
থমম্বুং চীঙু থোঙারেনগী তালোই থ্বাইগী 'তোম্বীনা
নোংজা কোরৌ 'সিমজদা মবুংঙোবু য়েংহুনা
য়াইফ থৌজান নিরকই— "চিঙু ইবুংঙো থোঙারেন
ননাইনা হুতনা তারক্রি চিঙু ওইবা নয়াথং—

"মপোক মপোক 'পুম্বদি নমু তাইবংগী মপোক্না;
পুম্নমক্তৈ মথোঙ্গইরে' — অসি রাগী বাহন্দোক
মরীক চুম্ন শুগাইনা ননাই ওইবীদ তাকপীযু।"
নবানদোগুন খঙদ রাহেঞ্জরকপা তা লাং মাগী মমাথং
তারে কাঙ্গিরগা থোডারেন, শমশাং লানগা নান
তিলাম থোঙ্গদান খুজেং পালোই লাক
মুংশি মীৎপীৎন য়েং তাকপী তালোই মচোন্দা।
"ওসিগী ফরবা থেনফমদা যাইফরবী নহাক্না
খুপ্রব রাগী রাথলবু হংলে নঙনা ঐচোন্দা,
সে-সে তাক্কে তারো চিংন' লৈতনা—
নিঙব-শোনব 'সিতনা ফংন লম্বী ওইনিবনী
মপু মাদ তিন্নবা মপোক ওইবশিংতুগী,
কদাই চিঙ্ ওইবশিংতুইদি থযুম থোৗাইরকপনা
মখী পাঙনবা হোংনবদা নিঙব-শোনব ফংদবে।
নিঙদ-শোন্দরবদা নঙ-ঐগী য়াইবীনা
য়াইবিরেন' থোইবদ লেঙদ [illegible] পাম্বদি
থোঙ্গু মুঙ পেৎন' লাইম থিকলেন চাইবনী॥
নমু ওইবা তাইবংশিংতুগী মপোক্কি
অহাঙবদা পোকপনী মালংদ হিংবনী,
নিঙ-ন শোম্নবগী হাঙলবা লমযাইদ
চেনবা পুন্সিগী ঈ.চমী, নিঙজ শোজবা মহাকপু,

অচঙবব 'সুংশিব, ভাকপী-কনবী ভম্বগী
ফিংচৎ উবোংশিন' ভম্বদা মাগী য়াবী অঙ্গনা
য়াইবিরেন 'থোইবদা লেঙদ' তিনবা ফংজেদো'
মরমসি লৈবদ মপাক মপাক পুম্বদ
তাইবং মীগী মপোক্কু কেন্নি-পোটায় কাইবনী ॥"
য়ম্না'সি তারগা থংলেম মাবু য়েংঙ্গনা
হাইজৈ থোভারেমগী তালোইনা,— ননাই' লাইবক ফবনা
খযুং থোগল ফংবদ থমমুং লৈবাক অসিগী
অবা-মুংভাই, মুংশি-মুংওন 'পুম্বৰু
লোইনা ভম্না খভজরে, মপোক্‌লাংওন অথোইবা
নমু তাইবংগী মপোক্কো ননাই ওইবীনা থোইদারে
তাইবং ওইনা লাংওনগে নত্তীক-নয়াই হাপ্পীযু
নশাবীগী নিজবসি থোভারেম্না কুবিযু ।"
তালোই মাগী খোইদাবী চেংলো মীৎশ্বীৎনা
চীনবান মকা লাম্ন নোক থোভারেম হাইরকই; —
"তাওকো ঈশাবী নঙবু । ফৈ ফায় খঙনা লৌদবা
ফক্তেসান্নি খঙনা ছান্দাক্তব তাইবং মাগী লীচৎ ওই,
তাইব-খযুম অনিগী চৎন-থোক্কু য়াদবা
শকউাবা 'য়াংব পল 'সিমক্না ওইবনী,
কাইগম্নু পামলুগম্নু মপোক্কো অরেম্বদ তাগনী ।"
"ভাকপীগম্নু ঈশানৌ । চিঙ্‌ নয়াথং অথোইবা

ননাও লুদা থোনজরে হীকহাকচরোই কাউজরোই
তাইবং, ওইনা 'মুক্তদি'লাংওনজাগে ননাইবু"
রাহমজরে খোঙারেনগী মকমদ খযুম মাপী তালেইনা।
"কয়ে কয়ে ভারোদো ! নঙনা ময়াক্তবনিনা—
তাইবং ওইব মপোক্তি অশাও'-অপাম'-মিহৌবা
য়েক্ক'শিংনা খুহুম চন পোক্ক মপোক্তি মথোইগী,
নঙগী নীংব থুংজয়ো তাইবংলেন্দ পোক্কুরো,
নঙগী নীংজ, শোনজবনা হোৎনৌ পীনবা মাঙ্গৈবীব
য়েক্ক' মথোই অহুম্ব রাফম অ স কাউফরোই।
সে 'সিমদি খঙনসি। নঙ-ঐ হ্বরিনা—
থাবন য়াইদা হৌরিব লৈরাং মাদি পশোং-'ন
নিঙোন' পীবুক খঙনৈল, লৈরাংসিগী লৈচা 'মা
তাইবংলেন্দ থারসিঃ লৈরাংন লৈচু ওন্দ্রি'?থ
লৈমু পাল্লু তাইবংদা করি তৌরোই ঐশাক্লা,
লৈরাংন লৈচু ওমক্রব মতম 'হুদা খঙলগে—
নিঙোন পীবুক ওমক্রে কোনবু তৌবনী হাঙ্গৈবহু,
খঙউ মতম 'হুদদি ঐগী লাম্ভৌ 'য়াংবশিং
নঙগী নগাইদা থারগা নঙবু খমমুংদা লৌরনী ॥
ওসি কৌব নোং নিনমাং শচিক্কু অচানবা
অচং-অশি থোক্কবা কোয়ৌ নোংজা অসিদৈ
চৎখয়ো চঙলুয়ো কেগে মোইরাং লমদমগী

অরাইমুগী পীবুকমুং' লোইনখরো লৈরাংমু
হৌরসমু লেপ্পমক লমলেন কৈবুন লমজাওদা।"
লৈরাং চবোং'মদগী লৈচা শেংন খাইবগুম
খযুম মানা তালোইবু কাইনা য়াথং পীবদি,
চিঙু য়াথং শোইফদ' থাংজিং বুম্ম ওইনবা
পোকখি মুজা মোইরাংদা, শাৎখি লৈরাংমু কৈবুনদা।
মুজা মাগী কোলোইনা য়াইদিং কোমু মিংগৌনৈ,
মুরা লৈরাং মানবিসি শীঙেন লৈনম ফাওরক্লে,
কেগে লৈকাই 'মত্রদা তাব্রিজাস্নগী থুৎথাহৈ
শাম্ব লমগানবা কৌবস্ত তাউজিং য়াকুম্নরক্লে ॥
মুরা পাথং অনিসি মুশি চেংলৌ শকথঙদা
পস্তৌ ঙমসি ছরিন লেম ঙমসি তেমশিংনা
পুন্সি লৈপুন শেমলকই, শাবী শানৌ' লীহৌবাক
পুথাং পথাং কয়াদৈ মুৎনাই কাইনাইরকত্রবা
মোইরাং কংলৈরোন মুংশিব শীঙেন লৈরাং পরেংগী
লৈরাং লৈচন ওইহুনা শৈহেক শৈথানরক্লী।
লমলেন কৈবুল লমজাউগী খযুন মাগী থুথালৈ
অথঙ-অউ পাউতাক্লা মুজা মাগী পুক্তাকলৈ
শীঙেল লৈচু হোংখরে লৈরাং লৈচু ওনখরে,
মুরাই পুক্তি কোন-দোরে তাকই থঙনৈ হাইহুনা
লৈরাং মাগী কোলোইবু "কোমবীরে" হায়না নিংথোনখি ●

প্রস্থান

লমলেন মদাইমা ওইনম থুবীপোক কেগে শি চা রাৎ মোইরাং নোংশারোইদ পোক্লগা খুমল মগাইকা—লমলেন কোইচৌং—রাইথৌ শাইফিং-থমপুং—লারোং কোন, ভমুরান চৌংলক—চৌংথম রাইভাউ পাৎ—ঈকোপ রাইপন—ভাংলো থুৎনৌ, হংজনগী পাৎয়াইকাদা ওংখিবা, মমোম কাওজনটৈ—পীনিংবগী পেন্দ' পালেমনা নিঙোন ললউন ওইখিবা লৈ, তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবা তুবি খোইহৌ লৈ, ঈরোম্বুংদা পোম্বী ইপানথক্তা শাৎপী লৈরাং লৈনম চাউবীগী শীঙেন কোলোই থোনখিব, লৈরাং, শাৎকম লীথুনলী রাঙম তেংথাজবকে। মোইরাং নিংথৌ উরা ওঙোই মুংয়াং চাউবা যুপা রাইতং নানবনা মমোম লাংলেন নিংনাং লৈমা থমোই লাংবীবু নোংয়াই খুমন নিংথৌ চৌংথোংথোঙ্গ্রাইবদা কাও-জনটৈ, তওৎ তমং তাবু তরেং চাম্বনা থুজিং ওই অহাংবা চঙু পুরাং লৈমা !ইবাংলোনবু তয়ুম নাটগী শীংদা চন, শাগী লুপ্ত কাওরেন শনচিরাক ঙাংবা পামহৈবা য়াওনা শনবী কয়া নিঙোন ললউন তমহুনা মরান লুহোং খোংদোংলবদা পীনিংবা পীরে ";পেন্দে করি পীখিশিগে য়েংবদা 'রাৎপা 'মন্তর্ লৈতরে, রাৎলিবা হায়বা 'মন্তর্ পাইমা পীবুকতুংগী য়াইফ পাউতমক মঙাইরে। মমোম চিংনা য়েংহনা হায়রকই নিঙোন পোককপীনা। —ঈমাগী লাংলেন

চরৈহন ইমোম নংগী ইমানা পীনিঙাই কন্নি'মুক লৈতরে, লৈজরিবা 'মঙুংদি —চিঙ্‌ মাঙদা থম্বগা পাইমা পীবুকচুংগী মাইক পাউবু পীরগে তারো; ইমাগী লাংলেন লোইদাম কুমনৌরকপা থুদিং —ইঙা কুমদমলক উঙেন কুমথাইরকপদা নিঙোন নংগী খোইদালৈ লাইজ লৈরাং অসিনা লৈকা কন্না শাংপঙুম, তম্নুম নাইন' নাইকোন থম, কাওরেন—শম্বীনা শঙোন থম মুংঙাই মরাংহৌ করাও মখোই কানা পাল্লকো। ঙসি নোংজাসিদগী লৈরাং মাগী কোল্লোইবু নমা ঐনা 'থম-পাল' হায়নবু থোল্লগে· পোইরৈ চাদোন ঙদোম্না 'কারৌ-থাজনা থোক্লি'বৈ রাঙব 'তংখা নহৌরমন্থু। অম্নম পুকমেন পাউমেন্নদম্না রাংলেন মরা·বৌ ভরেং শনফাং থৈন মমোমবু মপাম মোইরাংদৈ থুমন মপাইকা মশুংলেন 'নাঙা খিনখি কোক্তৌ শি ঙম মঙানি কোনবা মপাম চাক্তোবা। চুমিঙা অদোন চৌ.খোংখোঙ্‌ হৈবগী কাওরেন ঙাংবা পামৈবগা চুমতাউ নিংখৌ মেনকাপকী কাওরেন মশন চা মানবী চৌংলোইবগা, মিংখৌ অনিগী লৈপাক হৌবা কুম্মৈ ওই বাইনহনখি। থুমন নিংখৌ অদোন চৌং খোং খোঙ্‌ হৈবগী কাওরেন শন্চিবাক ভাংবা পা·হৈনা হামুন চার পাম্বী লেপুম নৈমবু থম্ম পাম হাইবগুম হাইদোক্ত্ননা হুইতাও নিং-খৌগী কাওরেন মশমচা মাম্বী চৌংলোইবগী মচি কোপথি হাইহনা চৌ কোপ কৌবদগী ঈকোপ, কাওরেন অনি বাইনফম্নি হাঈবদৈ বাইপং বাইহে 'নিসি পুন্নগা লমলেন ঈ.বাপ বাঙ্গৈপন হাঈনা তেংথাজখি



ভাংলৌ লাইজ লৈরাং থম্বাল্ খুমন লমদমগী পাৎ পাৎ থুদিংদা পুইদিং মপান ফারক শীঙেন মপান তোরোৎ পুংকা নিরুরুবদা নোংয়াই থিংবাই শেলহোংবনা চামলৌ লাঙাকই। 'হুব্ মীরৎ-নারৎ য়েংহুনা কম্বোং শোংখু শোইয়াম্বীচা মপারি ভরামঙাবা লৈরাং লৈকোং কক' শীংঙন মহৈ হেক্ চা চামলৌ লাচেম্বসি নিংথৌ নাকোং য়োথরে। নোংমা কোরৌ অমদি হুরানবগী ভরানি মপুই নোংমা হায়বহ থাক্করে—খুমন নিংথৌ তেকয়াম্বা নোংয়াই নীকমন লাম্বাবনা মরোই-মনাঙ লোইনা লৈরাং লৈকোং হেকে শী-ঙেন মহৈ চাগে থম্বা পাৎ কুম্মকপদা• চামলৌ লাচেম্ববা কম্বোং মপারি ভরামঙাদো কোক হেক থেংনরে। নোংয়াই খুমন নিংথৌনা কম্বোং মখোয়গী লমম্ নঙনা হেক হেক চামলৌ লাচেম্বা লৈরাং লৈকোং হেকপা শীঙেন মহৈ-চানি নৈথেকপদি করোং খুৎকুম তানশি। অনঙ ফীবাইবশা। তাল্লু ইচন ভাগুম কোইয়্ নাম্বোকহনকদে। লাউরকুবদা নিংথৌগী অনঙ ফীহাইবশিংনা কম্বোং মপারিশিং কোইনা_কোইনা তারে—কোইচীং, থম্ব লোইনা পুৎথৈ—লমলেন থমপুৎ, মশম মনা বাইনা ফারে—বাইথৌ. থম্ব কাবে চিংই—চীং-থম, খুৎনা কাই—খুৎনৌ, মশা মরেং ফম্না চিংখি—শাইজিং, মশা লোংনা কমলে—লারোং কোল, তাংজ লুরেল ককপগী ঈনা বাঙনা হুমদং খিক্লোই প্মঙাং ভাংনা তৈথি হায়হুনা ভাংলৌ, ভাংজ লুরেন অককপনা বাইথোম ভাউবগুম তাউথি বাইতাউপাৎ কৌনথি।

* * * *

পাৎয়াই কোম্বনা ইহ্ কোনমাংনা লৈরাং থম্বালনা পাংকী

লৈতেং ওইরকৈ, পাঙ্গল লৈজদবা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা পুম্নাম য়িমলেম্বদা, থোইচৎনবা হৈরেম খুঙ্জান নিংথৌ থোঙতা থোঙতেকচানা হুয়েন লানশীংনরকখি। নিংথৌ অদোন পুন্সিবা পাইমা পীবুক নৌখি, থল্লি মণ্ডল মণ্ডল কংলৈ মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থবাম্বাবদা হুয়েন লানবাংবীযু হাঙ্জরে। নিংথৌ অনি কোরৌ অফবা, থাজ অক্কবা, য়াংলেন য়াইফবা য়েংহুনা হৈরেম খুঙ্জান নিংথৌদা পুম্না হুইয়েন লাম্দাবা শরোং চীক্রু লেপ্লব্রে। হাঙ্গনা শীংনা মুমিত্তা মৈদিংঙু থবাম্বাবনা খুমনগী লানবাংগে থন অতোম নহা শঙ্গাই পান্নবা, খুবাই নহা বাইরংবা, লাইরেন চান্না তারিয়া এলাংবনচিংবা তযুম মদাইরেম অকল অথৌ ময়ামগা লোঙ্গনা নিংথৌ সনা খুনেৎহি কবুই ঙম্বা তোংহুনা থা পাংনা হোম্বরকপদা লমলেম বাইতাউপাৎ য়ৌমফপদা খুমন ঙিংথৌ পুন্সিবা থেংনরে। চান্ন খুৎপাই চেৎপা পাঙ্গমা পীবুক তিন্নবা নিংথৌ অনি ঙনরবদা হয়াও মথোক কা, হুইয়েন লানঙম' থেকহাই মপাউ ফুইনা লাউখি। তান্ন হিগুম হোল্লগা লমলেন মতা ফবদা নিংথৌ অনি থাগোম্না,তরা চয়োম থোক্ল, ঙামু লান্নহুনা চাঙ্গ হাঙ্গহুনা লমদম অহুবু, পোইরৈ শৈশকপা বাঙম তেংথাবনা — লমলেন ঙামুরান চীংলক হাঙনা শৈশক শৈথানরকলি। লৌতুনরবা নিংথৌ অনি, শারাক তন্নগে থল্লবা থেক্ল লাউনা থোংলবা পাম্বা কৈজেংলাংগী মতৌঙম 'নিঙ-মাঙ থৎনা পাক শম থঙহৌদ হুই-য়েন লান্দারবদা, হৈরেম খুঙ্জান নিংথৌ থোঙতেকচা মচা মনাই

লোইননা কৈথা নোনবা শাগ্নমখি, মরূপাক পুমন লৈদ তিনখি। হুইয়েন লানফা পু নোংম্রাই মরান ওন্দরকপদা, মৈদিংঙু থবালথানবা ওয়াংলৌ কম্লাল কৈরুংনা লেপরা নাইংকু তরোৎ পুংফা নিংঙু শাংলা উ দা, নিংথৌগী পুকপু হুখি, পাইমা থোইদানা পুশিনদ লল্‌ং ক... হংখি লমদম'হুবু চসিকাও লমলেন— হংগু ঐনা পোম রনা শাম-কোনখি। মৈদিঙু থবাম্বাবনা কেরা থংলমু থোদবা উংদা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি' য়িমলেম্বনা, লৈবা শংহফমগা কোম্না লমলেন বাগথৌ'পুবা হুইয়েন লানঙম থুদোল ওই' মৈদিংঙু থবাম্বাবদা চিংনদনা লাম্থোকখি। খুমন নিংথৌগী থুদোল লম, মনা চামলৌ লাওইবা মপান শাওেন লৈওইবসে পোইরৈ মৈতৈ বাংথৈ থোয়া অথৌবনা চামলৌ লাওাক্ত রাইথৌ লমাকানখি। অদোন পুন্সি' য়িমলেম্বা, মৈদিংঙু থবানথাবা নিংথৌ অান চারৌ মৌরৌনরে, চাশিন মৌশিন্নরে। মৈদিংঙু থবাম্বাবগী বাংঙমলোন চাংথৈ থানবী খুমন নিংথৌদা থাজরে, খুমন নিংথৌগী খয়োংবোন মৈতৈ নিংথৌদা থাজরে। কুইদে, — চাম্নৈ হুনা লুং... ক.ঐ কাপমন থৌরগ লমন থাই হাঙবঙম নিংথৌ অনি শকউনবা য়াবক্তে চাংথৈ থানবী বাথোক্তে হুইয়েন লানশিংনরক্লে। তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবা মবুথৌবু মৈদিংঙুনা থাগোম্নজ, খুমন নিংথৌগী মথক্তা কয়াবক হুইয়েন লান্দাবদা মাইপাকপা 'কৌবা লৈত্রে। লাকচৈদ' হাঙবা বাখম্নী খম্মোই থুগ্রম ত২ নোংম. তুমখুন তানবন' নিংথৌ ...লেন

মঙলান্দা মমুখৌনা তাকপীখি,—"কঙ্গৈ মৈতে পিবারেন । থুমন লানবাং থুদোক্লে নিংথৌ নঙগী পুকচেল, লৈরাং হুবু হাপ্তুনা ভুবি ঐবু ঊরাৎচো, অহুতদা কুবিগে অপাম্বদ্র নহাক্তী" হাঙ্গনা তাক-পীখি । লৈপাক মাঙ্গচো মাঙ্গনৌ, অমাই-অমাইবী ভয় নিংথৌ মাথংনা কৌথংলে, খোমলেন মঙগী বাবু লীত্রনা রাইখো পাঙ্গু থম্বাল হেকহল্লু মবুখো ঊরাং থৌনিজ, মৈদিংগু থবাম্বাবনা থুমন লৈপাক্কা লাম্মারে । হন্দকমূক্তী লানসিদা থুমন লৈপাক মাঙ্গ থারে, মৈভৈনা সোপোন য়াইবু খোমলকলে । কোরৌ নোংজা চুদি মৈদিংগু থবাম্বাবনা, নোংদা লাইরেন পাথংবগী ভাংলৌ থুয়াথাদা লাইজ লৈরাং থম্বালবু য়েক্তী লৈওইনা কৎচখি, লৈবাংগী অতোপ্প মিংলেন অমবু—তুবি খোঙ্গৌ লৈ হাঙ্গনা খোনজখি ।★

[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible]

[illegible]

খুমন লৈরোল

লৈরোল Pt. I. II.

[illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] খুমন ১নং [illegible] [illegible] মতৌ